# ক্রোর ১৫০ হেনবগী হিরোইন কেজি ৪৭, কোকাইন কেজি ২ ফারে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩০ঃ* মমাঙদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা দিল্লি পুলিসনা হিরোইন কিলোগ্রাম ৪৭ অমসুং কোকাইন কিলোগ্রাম ২ ফারে।

ফারিবা পোৎলমশিং অদু লুপা ক্রোর ১৫০গী মথক্তা ওইগনি হায়রি। লৈবাক অসিগী কোনুং দিল্লিদা পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চত্থবদা হায়রিবা পোৎলমশিং অদু ফাগৎখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই অমসু ফাগৎলে। পুলিসকী পাউদা দ্রগ লল্লোনবগী খূৎপু অদুগী হৌরকফম কাবুলগী অফগানিষ্টানদগী ওইগনি হায়না চিংনরি।

দ্রগশিং অদু পঞ্জাবকী বাটালা দিষ্ট্রিক্টকী ইন্টরনেশনেল বোর্দরদগী লানশিন্দুনা পুশিল্লকখিবনি হায়রি। হায়রিবা দ্রগশিং অদু ইন্দিয়াগী চেন্নাইদা য়ৌরবা মতুং শ্রিলঙ্কা অমসুং সাওথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংদা পুখিনবনি হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না দ্রগ লল্লোনবশিং অদুগা সাওথ ইষ্ট এসিয়া অমসুং গল্ফ কন্ট্রিশিং মরু ওইনা কুৱেট, অফগানিষ্টান, পাকিষ্টান, ইন্দিয়া, শ্রিলঙ্কা অমসুং য়ূমথংনবা লৈবাকশিংদা ওপরেশন তৌরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মখা তানা থিজিল্লবদি থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই মশীং হেন্না ফাগৎলক্কনি। খ্বাইদগী ফবা দ্রগ মখলশিং অদু ইন্দিয়াগী পঞ্জাব বোর্দরদগী লানশিল্লক্তুনা পুশিল্লকখিবনি হায়না দি সি টি (স্পিসিয়েল সেল)গী সঞ্জিব য়াদবনা ফোঙদোরক্লি।

থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা দিল্লিদা লৈবা অতার সিংহ (৪৮) ফাগৎখি। মখা তাবা ওইনা অতোপ্পা মীওই অহুম এ ভেনুগোপাল রেদ্দি (২৯) (অন্ধ্র প্রদেশ) রতমিট সিং (২৫) অমসুং সুরবির সিং (২৮) ফাগৎখি। মখোয় দিল্লিদা লৈবা মীওই ঙাক্তনি হায়রি।

নুমিৎ ১০নিগী মমাঙদা মখোয়দগী হিরোইন কেজি ৯সু ফাগৎখি। মদু লুপা ক্রোর ৩০রোমগী পোৎলমশিং ওইগনি হায়রি। হন্দক ফাগৎখিবা অদুনা স্পিসিয়েল সেলগী অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইরি। মদুনা ইন্দিয়াবু শীজিন্নদুনা অন্তরজাতি লৈবাকশিংদা দ্রগ লল্লোনবশিং থিংনবগী খোঙথাং অমা ওইরি হায়রি। মমাঙদগী হৌনা পুলিসনা ইন্দিয়াগী পঞ্জাব ঙমখৈদগী পাকিষ্টানলোমদগী হেরোইনশিং লল্লোনপোৎ ওইনা পুশিল্লক্তুনা শ্রিলঙ্কা য়াওনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা পুখিনবগী মফম অমা ওইনা শীজিন্নরি হায়বা খঙখি।

পুলিসকী পাউদা কুৱেটতগী আলি কৌবা মীওই অমা অমসুং অফগানিষ্টানদগী স্মগ্লরশিংনা ইন্দিয়া, পাকিষ্টান অমসুং শ্রিলঙ্কাগী মীওইশিংবু মখোয়গী লল্লোনবগী থবকশিং অদুদা শীজিন্নরি হায়বা খঙবা ঙম্লে।

থাংজ নুমিত্তা ফংখিবা পাউ অমগী মতুং ইন্না পুলিসনা সঞ্জয় গান্ধি ট্রান্সপোর্ট নগর, জি টি কর্নাল রোদ, দিল্লি অমসুং নক্কবা মফমশিংদা দ্রগ পুথোক-পুশিন তৌরে হায়বা অকক্নবা পাউ অমা ফংবগা লোয়ননা থবক পায়খৎপদগী অটার সিং হায়রিবা মীওই অদু ফাগৎখিবা ঙমখিবনি হায়রি।

মখা তানা থীগৎপদা পঞ্জাবতা রেজিষ্টার তৌবা হুন্দাই সান্ত্রো কার অমদা অফবা মখলগী হেরোইন কেজি ৩২ অমসুং কোকাইন কেজি ২ তোঙান তোঙানবা পোলিথিন খাওশিংদা পেক্ট তৌদুনা য়াওরম্বা থেংনখি।

আইন্না য়াদে হায়না থিংখ্রবা দ্রগ কেজি ৪৭ ফাগৎখ্রবা মতুং মখা তানা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।



# অচুম্বদু খঙমিন্নসি

## পাউ-চে

ঙসিদি মালেমগী মফম খূদিংমক্তা পাউ-চে পুথোক্তবা লৈবাক লৈত্রে অমদি পাউ-চে অসি খুন্নাই অমগী মরু ওইবা য়ূম্বীশিংগী মনুংদা অমা ওইরে। পাউ-চেগী হিষ্ট্রি অসি খজিক্তং পল্লবদা, খৃষ্টগী মমাঙ চহি ৫৯দা রোমগী মীয়াম তিনবা মফমশিংদা ঙাংনরিবা ৱাফম অমদি থৌদোকশিংগী রোমন ইম্পরর জুলিয়স সিজরনা খূৎনা রিপোর্ট ইখি। খৃষ্টগী মতুং চাউরাক্লা চহি ৭১৩ তা চাইনানা পাউ-চে পুথোকখি। য়ুরোপকী ইহান হানবা মেছিনদা নম্লগা জর্মনিদা ইং ১৬০৯দা পাউ-চে পুথোকখি। Einkommende Zeitungen কৌবা নুংতিগী ফোংবা পাউচেনা জর্মনিদা ইং ১৬৫০ দা পুথোকখি। বৃটেনসিনা নুংতিগী ফোংবা পাউচে perfect Dieurnall কৌবা অসি লণ্ডনদা ইং ১৬৬০দা পুথোকখি। অমেরিকাগীনা অহানবা পাউচে অসি Bosten News-Letter কৌই, মসি ইং ১৭০৪ দা পুথোকখি। মালেমগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা খ্বাইদগী পাক-চাউবা পাউচে অসি বেলজিয়মদা ইং ১৯৯৩গী জুন ১৪দা পুথোকখিবা Het Volk কৌবা পাউচেনা ওইরি। পাউচে অসি সেন্টিমিটর ১৪২ শাংলগা সেন্টিমিট ৯৯.৫ পাকই। খ্বাইদগী চেনা মশীং য়াম্না পানবা অদুগা খ্বাইদগী লূম্বা পাউচেনা ইং ১৯৮৭ কী সেপ্টেম্বর তাং ১৪দা ফোংখিবা ন্যু য়োর্ক টাইম্‌সনা ওইরি। পাউচে অসি লামায় ১,৬১২ পাল্লি, কেজি ৫.৪ লূম্মী। খ্বাইদগী পীকপা পাউচেনা ইং ১৯৭৬তা পুথোকখিবা Daily Banner না ওইরি। য়ু এস এগী ওরেসোনদা পুথোকখিবা পাউচে অসি অসি সেমি ৯.৫ শাংলগা সেমি ৭.৬ পাকই।

# দ্রগকী ৱাথোক্তা লৈখিদ্রবা পুলিসশিংগী কম্পেন্সেশন লুপা ক্রোর ১ পীরগনি হায়না কেজ্রিৱালনা লাউথোকখ্রে



*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩০ঃ* লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কম্পেন্সেশন পীবগী ৱাফম অমা ওইনা হন্দক দিল্লিদা য়ুঙাং লল্লোনবশিংনা পুলিসকী মীওই হাৎলম্বা অদুদা লুপা ক্রোর অমা কম্পেন্সেশন ওইনা পীরগনি হায়না অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ঙসি লাউথোকখ্রে।

লৈখিদ্রবা দিল্লি পুলিসকী কন্সটেবল বিনোদকুমারগী লোয়নবী সাবিতাদা দিল্লি সরকারনা ইমুং অদুগী অৱাবা অদুদা শরুক য়াবগা লোয়ননা শেনফম অদু পীরগনি হায়না চিঠি ইদুনা খঙহনখি। চহী ৪৮ শুরবা বিনোদকুমার দিল্লিগী দিটোর্নি লমদমদা য়ুঙাং লল্লোনবা খূৎপু অমনা ফূবদগী লৈখিদবনি।

বিনোদকুমার হায়রিবা মীওই অদু দিল্লি গভর্ণমেন্টনা এক্সাইস দিপার্টমেন্টতা দেপ্যুটেশন ওইনা থবক তৌহনখিবা মীওইনি হায়রি।

দিল্লি পুলিসকী ওফিসিয়েল অমনা মহাক্কী তৌফম থোকপা থবক্তা কখোক্তুনা পুন্সি মাঙহনখিবা অদু সিষ্টেম অদু ফেল ওইবদগীনি। ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ইখিবা চিঠি অদুদা ফোঙদোক্লি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অৱাবা নংলবা ইমুং অদুদা চৎতুনা য়েংশিনবা পাল্লি অদুবু মহাক্লা কখোকখিবা অদুগুম্নদি তৌবা ঙমদবা য়াই হায়খি। মফম অদুদা য়ুঙাং য়োল্লে হায়বা পাউ ফংবদগী দিল্লি পুলিসকী মীওইশিং অদু চঙশিনখিবনি। হৌজিক এক্সসাইজ দিপার্টমেন্টনা মরাল লৈবশিং অদু ফাননবা হোৎনরি।

মরাল লৈবশিং অদুনা হোকি ষ্টিক অমসুং মচিন তূম্বা খূৎলায়শিং শীজিন্নদুনা পুলিসকী কাঙবু অদুদা এটেক চত্থরকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা শোকখিবা পুলিস কন্সটেবল অদু ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিলক সাইন্সেসতা পুখৎতুনা অরুবা ফিভমদা লায়কন্নরি হায়রি।

দিল্লি সরকারগী ওফিসিয়েল-শিংনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর কেজ্রিৱালনা লাউথোকখিবা কম্পেন্সেশনগী শেনফম অদু অদুগুম্বা কেস অদুগামরী লৈননা পীবদা খ্বাইদগী ৱাংবা শেনফম্নি হায়রি।

# হজরটবলগী থৌদোক্তা য়ূম ১৪ মৈনা চাকখ্রে




*শ্রিনগর, দিসেম্বর ৩০ঃ* শ্রিনগরগী মতাইদা লৈবা হজরটবলদা থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা মী লৈনবা য়ূম ১৪ অমসুং হি অনী মৈনা চাকখ্রে।

ফায়র এন্দ ইমর্জেন্সি সর্ভিসকী পাউদা মৈ অদু হজরটবলগী হোলি শ্রাইনদা লৈবা ধোবিঘাটতগী অয়ূক্কী পূং ৩ তাবদা মৈ অদু হৌরকখিবনি। মৈ অদুনা মনাক নকপদা লৈবা য়ূমশিং ৱাইদুনা চাকহনখি হায়রি।

মৈ চাক্লিবা মফম অদুদা ফায়র টেন্দরশিংনা থুনা-য়াঙনা চঙশিন্দুনা মৈ অদু মুত্থৎনবা হোৎনখি। পূং খরগী মতুংদা মৈ অদু লাকশিনবা ঙমখি হায়রি।

মৈনা চাকখ্রবা য়ূমশিং অদুগী মনুংদা মথোল অমখক্তমক ওইবা য়ূম ১০, মথোল ৪ ৱাংবা য়ূম ৪, হি ২ অমসুং উনা শাবা য়ূম ৫ য়াওরি।

মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা চাউরাক্লা লুপা ক্রোর ১.৫ রোমগী মাল-চাং মাঙ-তাকখ্রে হায়রি।

শাথীরবা মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা অশোক অপন নংখিবগী পাউ লৈতে। পুলিসকী পাউদা চাকপগী থৌদোক অদু ইলেক্ট্রিক শোর্ট সর্ক্যুট থোকপদগী হৌরকখিবা ওইগনি হায়না ফায়র এন্দ ইমর্জেন্সি সর্ভিসকী স্পোক্সপর্সননা ফোঙদোরক্লি।

# বিহারগী খুরিয়র ষ্টেসনগী রেলৱে ট্রেকতা বোম অনী পোকখায়খ্রে

*কাটিহার, দিসেম্বর ৩০ঃ* বিহারগী কাটিহার দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অজমনগর অমসুং খুরিয়র ষ্টেশনগী মরক্তা লৈবা রেলৱে ট্রেকতা মপাঙ্গল কা-হেন্না কন্দবা বোম অনী ঙসি অয়ূক পোকখায়খ্রে।

পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা অশোক অপন লৈবগী পাউ লৈতে। অতোপ্পা থৌদোক অমদা রেলৱেগী ট্রেকমেনশিংনা হায়রিবা মফমশিং অদুদগী পোকখায়দ্রিবা বোম অনী থেংনরকখ্রে হায়না পুলিসকী পাউনা ফোঙদোরক্লি। রুটিন ওইনা রেলৱে ট্রেকতা য়েংশিনবগী থবক চত্থবদা ব্রিজ পিল্লর ১৫৬/৬৭তা বোম অনী মথং মথং পোকখায়খি। ট্রেকমেনশিং অদুনা রেলৱে লাইন অদুদা য়েংশিনবগী থবক চত্থবদা মশক খঙদবা পোৎলমশিং থেংনখি। মদু তুংদা বোম ওইরমখি হায়না রেলৱেগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস জিতেন্দ্র মিশ্রানা ফোঙদোরক্লি।

ট্রেকমেনশিং অদুনা হায়রিবা মফম অদুদা পোকখায়দবা বোম অনী থেংনরকখি। মমাঙদা পোকখায়খিবা থৌদোক অদুদা কনাগুম্বা অমত্তা অশোক অপন্দি য়াওহৌদ্রে।

পোকখায়খিবা বোমশিং অদু শক্তি লৈতবা লো ইন্টেন্সিটিগী বোমশিংনি হায়রি। অজমনগর অমসুং খুরিয়র ষ্টেসনগী মরক্তা ট্রেন চেলহনবগী থবক লেপহনখ্রে হায়না মিশ্রানা ফোঙদোরক্লি।

বোম পোকখায়খিবা মফম অদুদা পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং চঙশিন্দুনা রেলৱে ট্রেকশিং অদু য়েংশিনবগী থবক চত্থরি হায়রি।

# য়ূমথোঙ খূদীংমক্তা ঈশিং লিটর ৭০০ ফ্রিদা ফংহনগনি হায়খিবদু জানুৱারি ১দগী চৎনগনিঃ এ এ পি

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩০ঃ* আম অদমি পার্টিনা মীখলগী মতমদা ৱাশকখিবা দিল্লিগী য়ূমথোঙ খূদীংমক্তা ঈশিং লিটর ৭০০ ফ্রিদা ফংহনগনি হায়খিবা ৱাফম অদু থবক ওইনা ওন্থোক্নবগীদমক দিল্লি জলবোর্দকা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে।

অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী য়ূমদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা য়ূমথোঙ খূদীংমক্তা ঈশিং লিটর ৭০০ ফ্রিদা ফংহন্নবা থবক পায়খৎপা হৌখিবগা লোয়ননা দিল্লি জলবোর্দকী ঈ সি ও বিজয়কুমারনা হায়খিবদা, দিল্লিগী য়ূমথোঙ খূদিংমক্তা ঈশিং কিলোলিটর ২০ ফংহন্নবা থবক পায়খৎলি। অদুগা কিলোলিটর ২০দগী হেন্না শীজিন্নবা ইমুংশিংনা পীফম থোকপা শেনফমশিং মপূং ফানা লৌখৎনবা হোৎনরি হায়খি।

মমাঙদা দিল্লিগী য়ূমথোঙ খূদিংমক্তা লিটর ৬৬৬ ফংহনখিবগা লোয়ননা মখোয়গী পীফম থোকপা টেক্সশিং লৌখৎখি। অদুগা কিলোলিটর ২০ য়ূমথোঙ খূদিংমক্তা ফ্রিদা ফংহনবগী থবক অদু অনৌবা চহীগী জানুৱারি ১দগী মার্চকী তাং ৩১ ফাওবদা পায়খৎকনি হায়রি।

অদুগুম্বা অচৌবা খোঙথাং অদু ঙসি চিফ মিনিষ্টরগী য়ূমদা পাঙথোকখিবা মীফম অমগী মতুংদা ৱারেপ লৌরকখিবনি। দিল্লিগী য়ূমথোঙ খূদিংমক্তা লিটর ৭০০কী ঈশিং ফ্রিদা ফংহনগনি হায়বা ৱাফম অদু অথুবা মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়না আম অদমি পার্টিগী লুচিংবা কুমার বিশ্বাসনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ফমখিবা মীফম অদুদা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালদি মশা ঙমদবনা মরম ওইরগা য়াওবা ঙমখিদে। মীফম অদু য়াওবা ঙমখিদবগীদমক মহাক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোরকখি।

দিল্লিগী নৌনা চিফ মিনিষ্টর ওইনা খল্লক্লবা মীওই অদু ঙসি ফাওবগী ওইনা সোসিয়েল মেদিয়াদা খ্বাইদগী হেন্না এক্টিভ ওইরিবা মীওই অমা ওইরি। ঈশিংগী মরমদা লাউথোক্লবগী ৱাফম অদু অশেংবা অমা খঙহন্নবা চপ চাবা থৌশীল পায়খৎলি। অদুবু মীফম অদুদা মহাক্‌ মশা ঙমদবনা মরম ওইরগা য়াওবা ঙমখিদবনি হায়রি।

# জলপাইগুরি ব্লাষ্টকা মরী লৈননা কে পি পি সেন্ট্রেল কমিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি ফারে

*জলপাইগুরি, দিসেম্বর ৩০ঃ* কামটাপুর পীপল্‌স পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি জলপাইগুরি ব্লাষ্টকা মরী লৈননা ফারে। পার্টি অদুনা কামটাপুরবু তোখায়বা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা দিমান্দ তৌরকখিবনি।

জেনরেল সেক্রেটরি অদু জলপাইগুরিদা থোকখিবা সাইকল অমদা বোম পোকখায়হনখিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা কুচ বিহারদগী ফাগৎখিবনি হায়রি।



কে পি পিগী জেনরেল সেক্রেটরি মুবস বর্মা চৎলিবা থা অসিগী ২৬তা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা কুচবিহার দিষ্ট্রিক্টতগী নোংমাইজিং নুমিত্তা ফাখিবনি হায়না জলপাইগুরি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অমিত পি জভালগিনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

বজরাপারাদা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ফাগদবা অনীশুবা মীওই অদু বর্মননি হায়রি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই অমদি ফাগৎলে। সাইকল অমদা পুরকপা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই কয়া ফাগত্তুনা ৱাহং-পাউহং চত্থরি। লোয়ননা থৌদোক অদুদা মখোয়না লৌখিবা থৌদাং অদু থীগৎলি হায়রি।

থৌদোক অদু কামটাপুর লিবরেশন ওর্গনাইজেশনগী খূৎনি হায়না চিংনরি। ইং ২০০২দা কামটাপুর লিবরেশন ওর্গনাইজেশনগা শম্নবগী মরালদা বর্মন ফাখি অদুগা মথংগী চহীদা মহাক থাদোকখি হায়রি।

মীওই অদু কোর্টতা ঙসি পুথোক্তিন্র ঙৈ মমাঙদা মহাকপু কামটাপুর তোখায়বা ষ্টেট অমা শেম্নবা খোঙজং চঙশিনবগী মতাংদা মহাক্কী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়না মরাল শীখিবনি।

কামটাপুর হায়রিবা ষ্টেট অদু শেম্নবগীদমক অৱাং থংবা বেঙ্গোলগী শরুক অমসুং অসামগী দিষ্ট্রিক্ট খরা কোনশিল্লি। বর্মননা মহাক কে এল ওগা পোকখায়বগী থৌদোক অদুগা মরী লৈনৈ হায়বা য়াখিদে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশন্না থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং সেক্সন ১৪৪গী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা অথিংবা থমখি। দিষ্ট্রিক্ট অদুদা ষ্টেট অমা তোখায়নবা পাঙথোক্কদবা মীফমশিং অথিংবা থমখি হায়রি।

# বিরভদ্রনা শেঞ্জা-থুমজা তৌই হায়না প্রাইম মিনিষ্টরদা চিঠি ইখ্রে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩০ঃ* বি জে পিগী লুচিংবা অরুন জেটলিনা ঙসি মনুং মপান নাইদনা হিমাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর বিরবদ্র সিংহনা পৱার কম্পনিগী প্রমোটরশিংনা বিরভদ্রদা শেঞ্জা-থুমজা তৌখি হায়না মরাল শীরি।

অরুন জেটলিনা প্রাইম মিনিষ্টরদা ইখিবা চিঠি অদুগা চপ মান্ননা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেশনদসু দরকার লৈবা মচাক-মথুমশিং হাপ্তুনা চিঠি ইখি হায়রি।

দিল্লিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা অরুন জেটলিনা হায়খিবদা, ভেঞ্চর ইনর্জি অমসুং টেক্নোলোজি প্রাইভেট লিমিটেদতা হিমাচল প্রদেশতা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং ফেল ওইরে। মখোয়দা মখা তানা মতম পীদুনা থবক অদু লোইশিন্নবা খঙহনখিবা লৈখি।



*বি জে পিগী লুচিংবা অরুন জেটলি*

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বিরভদ্রা সিংহ সরকারনা কম্পনি অদুনা থা ১০গী মতম শাংদোক্লবা ফার্ম প্রমোটরশিংনা চেক ওইনা লুপা ক্রোর ৩.৫ বিরভদ্র অমসুং মহাক্কী লোয়নবী প্রতিভা সিংহদা পীখি হায়না মরাল শীরি।

প্রতিভা সিংহ হৌজিক লোক সভাগী মেম্বর অমা ওইরিবনি। পীরকখিবা শেনফমশিং অদু অরুন জেটলিনা মহাক্কী ইমুং মনুংদা লোন ওইনা পীরকখিবনি হায়না উৎলি অদুগা মহাক্কী ইমুং মনুং পূম্নমক্লা মদুগী শ্যের হোল্ডরশিং ওইবনি হায়রি। মদু মনুং মপান নাইদনা ফোঙদোক্লবা চিফ মিনিষ্টর বিরভদ্রগী কেসনি। হায়রিবা কেস অদুনা বিরভদ্রগী হৌখিবা চহী ২ অসিদা অনীশুবা শেঞ্জা-থুমজাগী কেসনি হায়রি।

# দিল্লি রেপ কেসকী অহানবা এনিভর্সরি পাঙথোক্তুনা ঈশ্বরদা থৌনিখ্রে



*দিসেম্বর ১৬ কী গেং রেপ ভিক্টিমদা কেন্দল থান্দুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে*

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩০ঃ* মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ১৬তা থোকখিবা দিল্লি রেপ কেসকী অহানবা দেথ এনিভর্সরি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবীগী অপোকপনা নুপীশিংদা মতেং পাংননবা ট্রষ্ট অমা লিংখৎন-বগীদমক মীয়ামগী মতেং পীবিয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

লৈখিদ্রবীগী ইমুং মনুং হৌজিক উত্তর প্রদেশকী বালিয়া দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খুঙ্গং অমদা লৈরি। ৱাফম অদু মফম অদুদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি ।

ফিজিওথেরাপিগী ছাত্রি লৈখিদবগী নীংশিং থৌরম ওইনা ঙসি লৈবাক অসিগী কোনুং দিল্লিদা লৈবা জন্তর মন্তর অমসুং মাভলানকর ওদিটোরিয়মদা শীন্দুনা পাঙথোকখি।

মিনিষ্টর ওফ ৱুমেন সেন্টরগী লক্ষি বিরলানা জন্তর মন্তরদা পাঙথোক-খিবা ঈশ্বরদা হায়জবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মহাক্লা ফোঙদোকখিবগা ভিক্টিমগী ইমুং মনুংশিংগীদমক অথুবা মতমদা ৱায়েল ফংহনগনি। লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই খূদীংমক অথুবা মতমদা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখ্রগনি হায়খি। দিসেম্বর ১৬ কী মতাংদা শেমখিবা ক্রান্তি গ্রুপ্পা মন্দির হাউসতগী হৌদুনা জন্তর মন্তর ফাওবা ঙসি অঙনবা অয়ূক্তা খোঙচৎ অমা চৎখি।

খোঙচৎ অদুদা তোঙান তোঙানবা প্লেকার্দশিং শীজিন্নখি। মদুগী মনুংদা রেপিষ্টশিং ফাঁসি তৌদুনা হাৎলু হায়বনচিংবা য়াওরি। তুংদা জন্তর মন্তরগী লম্বীদা মীয়াম্না লৈখিদ্রবী-গীদমক ঈশ্বরদা হায়জবা থৌরমশিং পাঙথোকখি।

চহী অমগী মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক অদুগীদমক মীয়াম হৌদুনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা অকনবা চঙশিনখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবীববু ব্রেভ হার্ট হায়না শীংথাখিবনি।

# রাহুল গান্ধিনা মীরেপ ওইবা মফমদা ঐহাকসু মীরেপ ওইগনিঃ কুমার ভিশ্বাস

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩০ঃ* আম অদমি পার্টিগী লুচিংবা কুমার ভিশ্বাসনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা, কংগ্রেস পার্টিনা দিল্লিগী মীখলদা মায়থীবা নংখ্রে। লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিগা অমিথিদা লম্বা তৌনদুনা ভোট লেপকনি হায়খ্রে।

কংগ্রেসকী লুচিংবা সন্দিপ দিক্সিটনা ফোঙদোকখিবদা অমিথিদা রাহুল গান্ধিগী মায়োক্তা কনানা মীখল থেংনগদৌরিবগে। থেংনবা থোক্লবদি মখোয় রাহুল গান্ধিগী মখূৎতা মায়থীগনি হায়খিবনি।

কুমার ভিস্বাসনা রাজনাঠতা মীৎয়েং চঙলদুনা হায়খিবদা, মোদিনা লোক সভা মীখলদা অমিঠিদা মীরেপ ওইরবদি রাহুল গান্ধিগী মায়োক্তা ভিস্বাসনা মীখল থেংনবা ঙমগদ্রা।




মহাক্লা মমাঙদা ফোঙদোক-খিবদা, লোক সভা মীখলগীদমক অমিথিদা মীরেপ ওইনবগীদমক থাগৎখি। মদু কমিটিনা লেপ্লক্কদবনি থাজে হায়খি। অমিথিদা বিসৱাসনা মীখল থেংনরগনি হায়না পল্লি। মহাক্লা বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্ট্রিগী কেন্দিদেট ওইরিবা গুজরাটকী চিফ মিনিষ্টরদা হায়খিবদা, রাইবরেলিদা মীখল থেংনৌ। মদুনা রাজনিতিগী অচুম্বা পন্থুংফম ওইগনি হায়খি।

# ন্যু ইয়র পার্টি পূং ১.৩০দা লোইশিনগদবনি হায়বা ওর্দর মুম্বাই হোটেলশিংনা শীংনখ্রে

*মুম্বাস, দিসেম্বর ৩০ঃ* ইন্দিয়ন হোটেল্‌স রেষ্টোরেন্ট এসোসিয়েশন (এ ঐচ এ আর)না সিটি পুলিসনা ন্যু ইয়রগী পার্টিগী পূং ১.৩০দা লোইশিনগদবনি হায়না পীখিবা দেদলাইন অদু বোম্বাহ হায় কোর্টতা ঙসি শীংনখ্রে।

মুম্বাই পুলিস কমিশ্নরনা পুলিস কমিশ্নর থানে অমসুং নবি মুম্বাইদা হায়রিবা ৱাফম অদু চৎননবা হায়খিবনি। ৱাফম অদু লমদম অদুদা শাথীবা ৱাথোক অমসুং লো এন্দ ওর্দরদা অকায়বা থোক্তনবা খঙহনখিবনি হায়রি।

ৱাফম অদুদা ইন্দিয়ন হোটেল এন্দ রেষ্টোরেন্ট এসোসিয়েশন্না শীংনদুনা পিটিশন অমা থাখ্রে। পিটিশন অদুদা মহারাষ্ট্রা হোম দিপার্টমেন্ট অমসুং এক্সাইস দিপার্টমেন্টনা চৎলিবা থা অসিগী ১৯ অমদি ২৪দা মুম্বাইদা হোটেল অমসুং রেষ্টোরেন্টশিংনা পূং ৫ ফাওবা হাংবা য়াগনি হায়খিবনি।

ৱাফম অদুগী মতুং ইন্না হোটেল মপুশিংনা মরী লৈনবা পুলিস কমিশ্নরশিংদগী পর্মিশন লৌনখি। অদুম ওইনমক, কমিশ্নরনা অমুক হন্না হোটেল অমসুং রেষ্টোরেন্টশিংনা পূং ১.৩০ দগী হেন্না হাংবা য়াদবা অমসুং মীওই অমত্তা চঙবা য়ারোই হায়না হুকুম থোকখিবনি।

হুকুম অদুনা ফাইভ ষ্টার হোটেল অমসুং পপশিংদদি কোনশিন্দে। মখোয়দি অয়ূক্কী পূং ৩ ফাওবা হাংবা য়াবগী ৱাফম পল্লি। করিগীদমক অদুগুম্বা খেন্নবা মীৎয়েং অদু থল্লিবনো। মদু চুমদবা মীৎয়েং অমনি। ইনাকখুনবশিংখক্তমক পার্টি অদু য়াওবা য়াহনবগী ৱাফম্মি হায়না বর্মানা পিটিশন অদুদা পল্লি।